থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পোলিটিকেল ওইদবা পোলিটিক্স





ঐখোয়গী লৈবাক অসি পোলিটিসিয়নশিংনা মাঙহনবনি'... মচি মচিদা হায়নরক্লিবসি কুইরক্লে। লাইরিক হৈতবা মীওইশিংনা হায়বা নত্তে, লাইরিক হৈবা মীওইশিংনা শেম্বা ৱাহায়নি। মখোয়না শঙ্গে দাক্লকপনি। ঐবু হায়জৌ হায়রবা, ঐদি হায়গনি- 'পোলিটিক্স মশক খঙদবা পোলিটিসিয়নশিংদা পোলিটিক্স তৌহন্দুনা পোলিটিক্সপু মাঙহনবদি লাইরিক হৈবা মীওইশিং অসিননি'। লৈবাক শেম্বসু পোলিটিক্সনি, থুগায়বসু পোলিটিক্সনি, ঈংহনবসু পোলিটিক্সনি, লাঙহনবসু পোলিটিক্সনি। পোলিটিক্স হায়বসি মমায় অনীমক ময়া থৌনা ঈক্লবা থৌরবা থাঙশাং অমগুম্বনি। অহৈবা মীনা পায়রগা অফবা খুৎলায় ওইরকপা, হৈতবা মীনা পায়রগা লৈবাক মাঙহন তাকহনবা। অকেরিকা, বৃটেন, জপান'না চাউখৎপগী লমজেল'দা মালেমদা মাঙজিন থাখিবা- অহৈবা ডোক্তর, এঞ্জিনিয়ার'না নত্তে, পোলিটিক্স হৈবা পোলিটিসিয়ন্না মরম ওইরগনি। চহী চা কয়াগী মমাঙদগী মীরৈবাকচাশিংনা লান দারক্তুনা খুনলিংদুনা পাল্লকখিবা, মীখা পোনবই ত্রেদিসন অমা শেল্লকখিবা, শাংলবা ইতিহাসকী ৱারীদুনা তাকই ইন্দিয়নশিং অসি পোলিটিক্সতা হৈথোই-শিংথোইরক্তে। লমদমসিগী পোলিটিকেল থোত মীরমদগী লাকপশিংনা মরু হুল্লম্বমক্তনি।

ইকোন কোনবা ফোরেন রুল্লর (বৃটিশ)শিংবু তান্থোক্লবা অকনবা পোলিটিকেল মুভমেন্ট অমা হৌবা তাখি। ঈহৌ অদু অনৌবা পোলিটিকেল থোত অমনা 'ইনোদ' হাপখি। নন-ভাইওলেন্স (অহিংশা) না মচং ওইবা ৱাখল্লোন অদুবু কৌই 'গান্ধীয়ন থোত'। গান্ধীয়ন থোত (গান্ধীগী ৱাখল্লোন)- ইনি দয়ন অমত্তনা মথম্মোয়দা থাগোন্নদবা ৱাখলনি। গান্ধী মশানা হিংলিঙৈ, মহাক্লা লুচিংদুনা হৌবা অন্দোলনশিংদা অদুক মতুং ইল্লম্বই ৱানি, মহাক লৈখিদ্র মতুংদা মহাক্কী ফিদম অদু লৌদুনা হিংবা ইন্দিয়ন অমত্তা, মীচম অমসুং লুচিংবা মরক্তা য়াওরকখিদে। অচুম্বা অমসুং অহিংসা অনীসিদই হেন্না কনবা খুৎলায় অমত্তা তাইবংদা লৈতে হায়বসি মরৈবাকচাশিংদা খঙহন্নিংবা, খঙলবসু খঙলরোই হায়বসি গান্ধী'না হান্না মাঙজৌননা খঙখি। মহাক্লা এদিটর ওইদুনা ফোঙবা 'হরিজন' চেফোঙগী ১৯৪২, ওগষ্ট ৯ গী এদিটোরিয়ল'দা ইরমখি... 'পুন্সিসিদা অচুম্বা অমসুং অহিংসাগী চাংয়েং অসিদা থম্মোয় শেংনা থাজরুবনি ঐহাক্লা... অদুবু ঙসিদি ঐহাক খঙলে ময়েক শেংনা, ঐনা শিরবা মতুংদা ঐগী মোংফমদা য়ুংবীগদবা নুংবী অদুদা ইবীগদবা খ্বাইদই চুনবা ৱাহৈদি... 'মহাক্লা কন্না হোৎনজরম্মী অদুবু মায় পাকখিদে'... হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিনি'...। মহাক্কী অপাম্বই মায়োক্তা ইন্দিয়া মচেৎ তাখিবা, ৱাহৌদুনা মরম ওই থীগমদ্রবা মীওই কয়া শিখিবা, তাইশিনবা ঙমদ্রবা অশোকপদুনা কোকঙল্লরোইদবা য়েংথিনবই মচু শঙখিবা, মহাক্লা মঙ মঙজখিবা ইন্দিয়া অদু ওইররোই খল্লুবদা থম্মোয় কায়খি গান্ধীগী। মচা মরি- হরিলাল, মনিলাল, রামদাস অমদি দেবদাস গান্ধীগীদমক কথোক্লবা মপা অমা হায়বদু ওইখিদ্রবসু লৈবাকসিগীদমক কথোক্লবা, জাতিগী মপা অমদি ওইরকখি 'মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধী'। মপুন্সিচুপ্পা কথোক্লবমক্তদা মথ্বায়দুসু কৎপা তাখি। লৈবাক মীয়াম মমাঙদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদুনা, মীহাৎ-মীপুন্না মচু শঙলবা, মপাবুংনা পামজখিবা নন-ভাইওলেন্সকী মফম লৈত্রবা ইন্দিয়ন পোলিটিক্সকী ওইরক্কদবা মশক্তু বাপুজিগী মপারীশিংনা উবা ফংখি ময়েক শেংনা।


গান্ধী লৈত্রবা মতুংদা যুম্ফম থোল্লকপা 'ইন্দিয়ন পোলিটিক্স'- চহী অনীগা থা তরামাথোই চঙবা ইখিবা কনষ্টিট্যুসনগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা পাঙথোকপা এক্সরসাইজ অমনি। লৈঙাক মখল অনীনি- সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট। লৈঙাক মখল অনীসিনা পায়গদবা শক্তিশিং, তৌগদবা অমসু তৌরোইদবা পুম্নমক ইদুনা লৈ- কনষ্টিট্যুসনসিগী মনুংদা। অদুবু, গান্ধী'না পামজখিবা লৈঙাক-ফিদম, পোলিটিকেল ফিলোজোফি অদুদি চাউরবা লাইরিক অসিগী মতাং অমত্তদসু পল্লমদে। চামরক হন্না শেমদোকখ্রবসু ৱাখল্লোন অসি হাপচিনগনি হায়বদি ঙসি ফাওবা খন্দরি। অমেরিকাগী পোলিটিকেল অমদি ইকনমিক ওথোরিটিবু শিংনরক্লিবা চাইনাগী কনষ্টিট্যুসন'দদি ঙসিগী চাইনা অসি ওইহল্লকপদা মশক নাইবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবা অমগী মমিং য়াওই- মাও জে দোং, দেং জিতাওপিং অমদি ঙসিগী চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিন পিং। গান্ধী হায়বা ৱাহৈসি ঙসিদি কনাগুম্বা অমগী মিং ওইদ্রবনি, গান্ধীয়ান থোত অমদি গান্ধীজম অচৌবা পোলিটিকেল ইদিওলোজি ওইরবনি। ইন্দিয়াদা মফম লৈতবগী ৱাতনি। অঙকপনি ইনি দয়া! গান্ধীয়ান থোত অমদি গান্ধীজম- ইন্দিয়ন পোলিটিক্স অমসুং ৱে ওফ লাইফ'তা চন্নফম লৈতবা হিরম অমা ওইরবসু, 'গান্ধীগিরি'- বোল্লিৱুদ ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগীদি কান্নরবা শেন্দাল লম্বী অমনি। রাজকুমার হিরানি কৌবা ফিল্ম মেকর অমগী শোয়দনা মায় পাক্লগদবা ফিল্ম সেরিজ অমগী সবজেক্ট অমনি।

চহী মঙা মঙা খুদিংগী পাঙথোক্লিবা মীখল মখল অনী (লোক সভা অমদি বিধান সভা) সিনা খল্লক্কদবা মীয়ামগী মীহুৎ খরদুখত্তনা তৌবা থবক্তুদবু পোলিটিক্সনি হায়না লৌনরকপা অসিনা পোলিটিক্স মশক থিহল্লকই। অমেরিকান মোদেল লৌদুনা হাউজ ওফ রিপ্রজেন্টটিব (লোক সভা) হাউজ ওফ ষ্টেটস (রাজ্য সভা) হায়দুনা পোলিটিসিয়ন মখল অনীগী শঙলেন লিংখৎলগসু, 'হাউজ ওফ সিনেট'কুম ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাদদি ষ্টেটশিংগী মান্নবা রিপ্রজেন্টেসন লৈহন্দে, মীশিং য়াম্বা ষ্টেটকী মশিং য়াম্বা মেম্বর লৈহনবসিনা অপীকপা ষ্টেটশিংগী খোঞ্জেল থোকহনদনবা থৌশিল অমা য়াৎলম্বগা চপ মান্নহল্লকই, দেমোক্রেসিবু ফাগী তাহল্লকই, পোলিটিসিয়নশিংগী অতোপ্পা মফম অমা থোল্লকই। অসুম্না মরা তাহনখ্রবা পোলিটিক্সনা পোলিটিসিয়নশিংবু অশেংবা পোলিটিক্সতগী লাপথোক-হল্লকই। মীয়ামগীদমক, লৈবাক্কীদমক পোলিটিক্স তৌগদবনি হায়বা কাউথোকখিদুনা, মাগী মাগী ইমুং-মনুং, মরী-মতা, মরৈকায়গী পোলিটিকেল লিদর ওইরকই, মীয়ামগী ওইবা ঙল্লক্তে। অদোম্না থাগৎপীখিবা, পোলিটিকেল লিদরনি খন্না ভোটপীখিবা মহাক্তে, মুন্না অমুক্তা য়েংবীয়ু- করিনো মানা তৌরিবদো? শোয়দনা খঙলক্কনি- পোলিটিকেল ওইদবা পোলিটিক্সনি।

লৌশিং পুক্কে

# হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীকশিং

মী ওই অয়াম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা অনা-অয়েক য়াওরকপদা এন্টিবাইওটিক মখল অমা চাশিল্লগা ফখিবা য়াওই। হায়রিবা থৌওং অসি য়াম্না তোয়না চত্থরবা মতুংদা করিগুম্বা এন্টিবাইওটিক চারবফাওবা অনাবা ফহনবা ঙমদ্রবদি মীওই অদু কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না লৌবা য়ারে।




মীওইবগী হকচাংদা মহীক-মতাই মশীং থীঙমদনা য়াওরি। হায়রিবা মহীকশিং অদুনা মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টেম অমদি মেটাবোলিজমদা চাউনা মতেং পাংলিবনি। অদুবু শক্লোন য়াম্বা বেক্টিরিয়ানা করিগুম্বদা য়েক্লবগী শক্লোন লৌরক্তুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা হেক ফংবগা মীওইবদা অনা-অয়েক য়াওহল্লকই।

কুমজা ১৯২০ গী পরিংদা ইহান-হান্না পুথোকখ্রগা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা পাক শন্না শীজিন্নবা হৌরকখিবা এন্টিবাইওটিক্সনা মহীক অয়াম্বা লাকশিনবা ঙম্লে। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক কয়াসু থোরকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না হায়, মালেমদা হীদাক চঙদবা মহীক্লা অনা-অয়েক য়াওহনবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। এন্টিবেক্টিরিয়ল রেজিষ্টেন্স হায়না খঙনবা থৌওং অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী মীওই ২০,৪৯,৪৪২ নাহনবগা লোয়ননা মীওই ২৩,০০০ শিহল্লি। তোঙান তোঙানবা মহীক অয়াম্বা শক্লোন তোয়না হোংলকপা মরম্না মখল কয়াগী হীদাক থারবসু লাকশিনবা ঙমদবগী ফীভমদা লাকপনি।

'নেচর কম্যুনিকেসন্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্মিং হেমগী রিসর্চরশিংনা হায়, হীদাক চঙদবা মহীক মখল কয়ামরুম থোরকপা মরম্না অনা-লায়েংগী থৌরাং লৌখৎপদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মালেমদা মীওইবা খুন্নাইনা থেংনরিবা খ্বাইদগী চাউবা শিংনবশিংগী মনুংদা 'এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্স' হায়বসিসু অমনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোক্লি।

এন্টিবেক্টিরিয়ল নৎত্রগা এন্টিবাইওটিক হায়না খঙনবা হীদাক মখল অসিনা বেক্টিরিয়াশিং লাকশিনবা ঙল্লবসু ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাশিংদদি থোইনা কান্নবা ফংদে। কুমজা ১৯২৮ দা অলেকজেন্দর ফ্লেমিংনা মালেমদা অহানবা নেচরেল এন্টিবাইওটিক 'পেনিসিলিন' পুথোরকখ্রবা মতুংদা বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা লায়না অয়াম্বা লাকশিনবা ঙমখি। মতুং তারকপদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম থোরকপগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা এন্টিবাইওটিক কয়াসু পুথোরকখি।



এন্টিবাইওটিক হায়বসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্নরবদি অসুক্কী মতিক কান্নরবা, মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙম্বা হীদাক্নি।

হকচাংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা বেক্টিরিয়া অমা চঙলকপা মতমদা এন্টিবাইওটিকনা হায়রিবা মহীক অদু মশীং হেনগৎহন্দবগা লোয়ননা মাঙ-তাকহল্লি। তৌবগীবুদি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা মহীক-মতাই অয়াম্বা হাৎতোকপা ঙম্মী। হকচাংদা চঙলকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মহীক অয়াম্বা হ্বাইট ব্লদ সেল (দব্লিয়ু বি সী) না ইরায় লায়না হাৎতোকই। অদুম ওইনমক মহীক্লা মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লবদি ইম্যুন সিষ্টেম লাকশিনবা ঙমদবগী ফীভমদা লাকই। মতাং অসিদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবগী মথৌ তারকই। মতৌ অসুম্না মালেমদা ইহান হানবা এন্টিবাইওটিক- পেনিসিলিন পুথোরকখিবা মতমদা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমখি। হৌজিকসু এম্পিসিলিন, পেনিসিলিন জি অমসুং এমোক্সিসিলিন্নচিংবা পেনিসিলিনদা য়ুম্ফম ওইবা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নরগা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া লায়েংবগী থৌওং চত্থরি। মসিগীসু মথক্তা অনৌবা মখলগী এন্টিবাইওটিক কয়া পুথোরক্লে।

অনৌবা মখল কয়া পুথোরক্লবসু মীওইবনা অরানবা মওংদা শীজিন্নবদগী হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক কয়া থোরকখি। ইশম-শম্না হায়রবদা মহীকশিংগী শক্লোন হোংলকপনি। খুদোংথিবা ফীভম অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অরানবা মওংদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবা হায়বসিসু অমনি হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (সী দি সী) না ফোঙদোক্লি।

# কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দগীনা কৈখু তাবা লম্বী অমদি ড্রেন শেম্বা লোয়শিনবীয়ু



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচএনএস):

ক্ষেত্রিগাও এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কোংবা কৈথেলগী নোংথোম্বম লৈকায়দগীনা কৈখু তাবা কিলোমিটর ১.৫ রোম শাংবা লম্বী অসি শেম্বা লোয়শিনবীনবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী অসি চহী অনীমুক্কী মমাংদগী ফিভম ফত্তনা লৈরকপনি। মমাংদা ঈশিং ঈচাও থোকখিবা মতমদসু লম্বী অসি থুমজিন্দুনা অমদি চৎপা য়াদদুনা লৈরম্বনি। লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা ড্রেনসু নীংথিনা শেম্বীদবদগী লম্বী অসিদা নোংজু থাগী মতমদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোং য়াম্না চাদ্রে। অদুবু হন্দক লম্বী অসি হান্না কুৎলম্বা অদুগী মথত্তগা নৌনা চীংলৈবাক থোনজিল্লকপদগী খরদি ৱাংখৎলে। অদুবু লম্বীগী মখা থংবা অমদি অৱাংথংবা নাকলগী ড্রেন অসি নীংথিনা চনবিদবনা লৈবাক থোল্লগসু নোং চুরকপা মতমদা পোৎ অরুম্বা পুরগা চৎপা মতমদা লম্বী নমথবদগী নাকলদা লৈবা ড্রেনরোমদা লৈবাক নমথরি।

মরম অদুনা লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা ড্রেন অসি অথুবা মতমদা চনবীরগা লম্বী অসিসু শেম্বা লোয়শিনবীনবা খুঞ্জা খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

নৌনা চীংলৈবাক থোনবদগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈরম্বা হান্না তোংলম্বা ড্রেনসু মখাদা লৈখ্রে। ঈরম নালা অয়াম্বা ফুনজিল্লে। লম্বীসু নোং চুবা মতমদা শেম্বা লোয়শিন্দবদগী লৈখোম লৈনাংনা গাড়ী চৎপদা ফৈনা ফৈনা চিংবা য়াওরে। শাবা মতমদনা উফুলনা লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা খুঞ্জাশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরে।

নোংমদা গাড়ী মচা অমদি অচৌবা কয়া চৎনরিবা কোংবা কৈথেলদগীনা কৈখু তাখিবা লম্বী অসি মতম শাংনা শেমজিনবা লোয়শিন্দনা লৈরক্লি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অতেনবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বা লোয়শিনবীদুনা কোয়লাস থাবীনবা অমদি লম্বীগী নাকলদা লৈবা ড্রেনশিংসু নীংথিনা শেম্বীনবা ফোঙদোরক্লি।

কোংবা কৈথেলগী অৱাং পাংনা কোংবা তুরেলগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লম্বী অসিসু হৌজিক ফিভম য়াম্না ফৎত্রে। লম্বী অসি মতম শাংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীদবনা হৌজিক অকুৎ অতোং ময়াম্না গাড়ী থৌবদা অৱাবা ওইরে। নোংজু পান্থাদনা অকুৎপা মফম কয়া ঈশিং তুংদুনা লৈবদগী খঙদদুনা গাড়ী থৌজিল্লুবদা য়ুংশিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোকপা ফাওবা য়াওরে। মরম অদুনা কোংবা তুরেলগী নাক য়েৎতা লৈরিবা লম্বী অসিসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পক্কা অমুক্তং লৌবীরগা কোয়লাস নীংথিনা থাবীরগদি মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি খরদি শাফগনি হায়রি।

# থৌবালদা ইঙ্খি তরুক শাংবা টোকে গেকো অমা কনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচ এন এস):

থৌবাল অচৌবদা লৈবা য়ুম অমগী চাকশঙদগী ঙসি টোকে গেকো অমা ফক্লাংদা নপ্তুনা লৈরম্বদগী ফারবা মতুংদা পীপল ফোর এনিমেল থৌবালগী ভলুন্টিয়রশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসি থৌবালগী পীপল ফোর এনিমেলদা খুৎশিন্নখ্রবা টোকে গেকো অদু ফুট তরুকলোম শাংই। টোকে গেকো অদু থৌবাল অচৌবদা লৈবা ডা. ৱাইখোম কুমার, এসোসিএট প্রোফেসরগী য়ুমদা লৈরম্বনি।

ডা. ৱাইখোম কুমারনা ফোঙদোরকপদা, চুম মানবা টিন অমা লৈরে হায়না অঙাংশিংনা ফোঙদোরকপদগী য়েংলুবদা টোকে গেকো ওইরম্বদগী ফারগা থম্বনি। কোন্না ফোটো কাপ্লগা পীপল ফোর এনিমেলগী মীওইশিংদা থারগা য়েংহনবদা টোকে গেকো ওইরম্বনি হায়রি।

টোকে গেকো অদু পীপল ফোর এনিমেল মণিপুরগী ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎকী টিম অমা লাক্তুনা পীপল ফোর এনিমেলগী হোস্পিটালদা পুরক্তুনা থমখি। টোকে গেকো অদু ফানবা হোৎনবদা মমৈদি তৎখ্রে হায়রি।

# হেরোইন গ্রাম ৭১ অমদি কানি কেজি ১২.৯ ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচ এন এস):

নার্কোটিক এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা মীওই অহুম কানি কেজি ১২.৯ অমদি নম্বর ফোর হেরোইন গ্রাম ৭১ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, এন এ বিগী এস পি, দব্লিউ বাসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১২ গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবা মতমদা লিলোং খুনৌ এরিয়াদগী মীওই অহুম ফাখি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি, লিলোং খুনৌদগী এম দি অমু (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অব্দুল ৱাহিদ, লিলোং তুরেল অহনবীদগী এম দি হমিদা বেগম (৪০) মপুরোইবা খুল্লাকপম মজাহর অমদি লিলোং খুনৌদগী এম দি ফরুখ খান (২৪) অপোকপা এম দি আমুনি হায়রি। মখোয়দগী ফারবা ময়াই কাবা দ্রগশিং অদুদি নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর গ্রাম ৭১ অমদি কানি কেজি ১২.৯ নি হায়রি। মখোয় মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবা নার্কোটিক এন্দ বোর্দর এফেয়র্স পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎখ্রে।

মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈনা লৈনা মীওই খরনা নারোনদা ময়াই কাবা দ্রগশিং পুশিল্লক্লগা য়োন্নবা হোৎনরম্বা কয়া এন এ বি অমদি পুলিসনা মফম কয়াদগী ফাগৎপগী দ্রাইব চত্থরি। মখা তানসু ফাগৎখিগনি হায়না এন এ বিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।




HL-B/4876/22/9-21/10

## এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫:ইন্টরনেসনল হেন্দিকেফ ৱেলফেয়র মীসন মণিপুরনা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা খোমদ্রাম অঙৌ মেমোরিয়েল ব্রেবরি ইন্সেন্টিব এৱার্দ ২০১৮ চহী অসিগী ওইনসু থা অসিগী ২৮ দা লান্থোক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল হেন্দিকেফ ৱেলফেয়র মীসন মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনল হেন্দিকেফ ৱেলফেয়র মীসন মণিপুরগী সেক্রেটরি লোংজম লোকেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এৱার্দ অসি হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওই অমগীদমক মপুন্সি চুপ্পা কথোকপগা লোয়ননা য়ুম্বানমিন্নরিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুদা পীবা এৱার্দনি। চহী অসিগীসু ইমুং মঙা হায়বদি পুন্না মীওই তরাদা পীরগনি। মশাগী চহী ৪৫ দগী হেন্দ্রিবা মীওইশিং এৱার্দ অসিগীদমক্তা এপ্লিকেসন পীখৎলকপা য়াগনি। এৱার্দ অসি হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবী অহৈবম গুনি অমদি মহাক্কী ইমুংনা লৈখিদ্রবা মপা ইবুংঙো খোমদ্রাম অঙৌগী মীংদা কৎপীরকপনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০/১০, সাইটেসন অমসুং সোল য়াওরি।

# পাওনা অমদি থাঙ্গাল কৈথেলগী দুকানশিংগী চেথি-চেকুম অমদি অমোৎপশিং লৌথোকপীদবদগী পৈদুনা লৈরে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচএন এস):

মণিপুর লৈঙাক্লা ইম্ফাল সিটিবু তরূ-তনানবা সিটি অমা ওইনবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক অসিদা পাওনা কৈথেল অমদি থাঙ্গাল কৈথেল মনুংদা লৈবা দুকানশিংগী পোৎথি পোৎকুমশিং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কো-ওপরেসন্না লৌথোকপীদবদগী হৌজিক লম্বী নাকলদা পৈদুনা লৈরি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা ইমোইনু কৈথেল, লৈমরেল শিদবী কৈথেল, ফৌওইবী কৈথেল অমদি টেম্পররি মার্কেটনচিংবগী অমোৎ অকায়শিং লৌথোকপীদবদগী মফম কয়াদা পৈ পৈদুনা লৈরি। পাওনা কৈথেলগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা দুকানশিংগী মপুশিংনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা চেথি চেকুম অমদি অমোৎপা পোৎচৈশিং অদু পৈদুনা লৈরি। মসিদা নত্তনা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বীগী নাক য়েৎতা লৈবা দুকানশিংগী শীজিন্নবা য়াদ্রবা পোৎথি পোৎকুমশিং কয়ামসু লম্বী নাকলদা পৈদুনা লৈরি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকানশিং অমদি য়ুম ওইনা লৈবা মীওইশিংনা মশাগী শীজিন্নবা থম্বা গাড়ী অচৌবা অমদি মচাশিং থমফম লৈতদুনা লম্বীগী নাকলদা পুং ২৪ খামদুনা লৈরি। মসিনা লম্বী চিলহনবদা নত্তনা পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। মরম অদুনা হিরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

অমরোমদা, লম্বীশিং অসিদা খোঙনা নুংত্তিগী ৱাকিং চৎপা মীওই খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, কৈথেলশিং অসিদা পোৎ য়োল্লিবা অমদি দুকান ফম্লিবশিংনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোওপরেসন্না থম্বা দষ্টবিন নৎত্রগা গার্ভেজ গাড়ীশিংদা থাগী ওইনা শেনফম খরা খরাদং পীরগা অমোৎ অকায়শিং শেংদোকহনবা অমদি পুহনখিবা য়াবা অদু পীদনা লৈরি। মখোয়না শীজিন্নবা য়ুমগী ফত্ত-হাওদি অমদি দুকান ফম্লিবা অমদি পোৎ য়োল্লিবশিংনসু মখোয় মখোয়গী অমোৎ অকায়শিং অদু মফম চানা লংথোকপগী হৈনবী অসি লৈতবনা লম্বী অসিগী মচী মচীদা পৈদুনা লৈবা অসিনা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই মচাক অমা ওইহল্লে। মশা মশানা ৱাখল লৌশিং তাদুনা ঐখোয়গী সহর অসি তরু তনানবা মফম অমা ওইহনবদা মখোয়গীসু চাওরবা থৌদাং লৈ। হিরমসিদা লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চংবীদুনা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরক্লি।